**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-05-2026)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-সাহিত্যনা ঐখোয়গী কালা সংস্কৃত্তিবু ঙাক শেন্দুনা থম্বতা নত্তনা খুন্নাইবু লমজিংবদা চাউনা মতেং পাংলি।

ইম্ফালগী মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ লেঙ্গোইজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসননা শিনদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা মনিপুর ষ্টেট এৱার্ড ফোর লিটরেচর-২০২৪ য়েন্থোকপগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-হৌখিবা চহি অনি অহুম অসিদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোনদা অখন্নবা নোংমগী শুরগা চারিবা মীওইশিংগী পুন্সিদা চাউনা চৈথেং পীরি। মীয়ামনা খোঙজং চংশিনবা মতমদা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী মীংচৎ থিনিংঙাই ওইবা অমসুং শেন্মীৎলোনদা শোকহনবা য়াবা খোঙজংশিং চংশিনবীদনবসু মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌখি।

শান্তি রক্সাগী মতাংদা ফোংদোক্লদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী ফিভম হনজিলহনবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদবা অমনি। মসিগীদমক ঐখোয় পুন্না হোৎনমীন্নদুনা রাজ্য অসিবু শান্তি অমদি চাউখৎপগী মায়কৈদা পুরকবা হোৎনমীন্নরসি থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা আর্ট এন্দ কলচরগী মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেন সিংহনা হায়-মনিপুর ষ্টেট এৱার্ড ফোর লিটরেচর ২০২৪ য়েন্থোকপগী থৌরম খরা থেংথখিবা অসি, মথংদগীদি মতম চানা পাঙথোকপা ঙমবা হোৎনরগনি। অইবা-অইবীশিংনা সাহিত্যগী লমদ লৌরিবা থৌদাংশিংবু মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মনিপুরগী শকাইরবা অইবা-অইবী-কাংজম ইবোহল সিংহ, অরাম্বম ওংবী মেমচৌবী অমসুং অকোইজম জিতেনদা মনা খুৎশিন্নখি।

**য়ুএনসি(এল)ঃ** য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু.এন.সি) গী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ সিংহগা ইম্ফালদা লৈবা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নদুনা হৌজক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী মতাংদা খন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা উপ মুখ্য মন্ত্রি-লোশি দিখো অমসুং গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম য়াওনা নাগা এম.এল.এশিং শরুক য়াখি। য়ু.এন.সিগী মায়কৈদগীনা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট-এন. পৌজান গোলমৈনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমা শরুক য়াখি।

উন্নবা অদুদা য়ু.এন.সিগী মায়কৈদগী, কাংপোকপী জিলাগী কোনশা খুলদগী ফাদুনা পুখিবা মীওই তরুক্কী মরী মখোঙ থিবীনবা সরকারদা তকশিনখি। মদুগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-মীওই তরুক ফাজিনখিবগী কেস অসি এন.আই.এদা শিন্নরগনি। হৌখিবা মে ১৩ দা কাংপোকপী জিলাদা চর্চকী লুচিংবা অহুম হাৎখিবগী থৌদোক অদুসু এন.আই.এদা থিজিলহন্নবা শিন্নখ্রে।

মরক অসিদা, ফাজিনখিবা মীওইশিং অদু অশোয় অঙাম য়াওদনা কন্ননবা মে ১৪ দগী ওপরেসন চথ্‌বা লেপত্রি। ফাজিনখিবা মীওইশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা থাদোকহন্নবা হোৎনবদা কাংলুপ খুদিংমকা মতেং পাংবীনবা মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌখি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** নোংচুপ বেঙ্গোলগী আই.আই.টি. খরগপুরদা থা অসিগী ২৫ দগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ১১ শুবা স্পিক মেকে ইন্টরনেসনেল কনভেন্সনদা শরুক য়াগদবা মনিপুর টিম ঙসি ইম্ফালগী লোক ভাবনদগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা লমথাখ্রে।

মনিপুরগী টিম অদুদা মন্ত্রি পুখ্রি অমদি কৈথেলমানবীদা লৈবা অসাম রাইফলস পাব্লিক স্কুলশিং অমসুং মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগী মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিংনা শরুক য়ারি। লমথাদ্রিঙৈগী মমাংদা মীহুৎ কাংবু অদুগা ৱারী শান্নবদা রাজ্যপালনা হায়-কনভেন্সন অসিনা ভারতকী ইনাক খুল্লবা

কালা সংস্কৃত্তিশিং পুন্না খণ্ডমীন্নবতা নত্তনা মরৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা কালা সংস্কৃত্তিশিংগী মতাংদসু নীংথিনা খণ্ডবা ঙম্লগনি।

থৌরম অদুদা আই.জি.এ.আর (সাউথ), অসাম রাইফলসকী দি.আই.জি, ৯ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলস অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

**আইএমদি ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট-ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-মনিপুরগী জিলা পুমমক্তা হয়েং নোং চুরবা য়াই।

সেন্টর অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-হয়েং জিলা খরদদি অখাক অরাও য়াওনা ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুরবা য়াই। মথং নুমিৎতনা রাজ্য অসিগী জিলা ৮ দা নোং চুরবা য়াই। জিলাশিং অদুদি- তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংনি।

**ৱাকৎ(এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাদা থা অসিগী ১৩ দা থোকখিবা ইরাং অদুগী মতুংদা ফাজিন্দুনা লৈরিবা নাগা ফুরুপকী মীওইশিং থাদোরক্কদবনি হায়বা দাবী তৌরদুনা লাংমৈদোং য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন, লমপাল-লাংমৈদোংনা শিনদুনা লাংমৈদোংগী ৱাই.জি.সি. প্লে গ্রাউন্দদা ঙসি ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা অপুনবনা পাঙ্গলনি, ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিল্লসি, ঐখোয় শান্তি পাম্মী অমসুং মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়না থাবা প্লে কার্ডশিং পায়খি।

**রেল্লি(এল)ঃ** জোনেল এদুকেসন ওফিস-ৱাঙ্গোইগী মীৎয়েং মখাদা ক্বাকৈথেলদা লৈবা রিগুলর ইংলিস হায়স্কুলগী মহৈরোইশিংনা ময়াই কাবা দ্রগনা মহৈরোইশিংদা পীরিবা চৈথেং হায়বা হীরমদা রেল্লি অমা চৎখ্রে।

**হোম গার্দ (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী গ্রুপ (সি) অমদি গ্রুপ (দি) গী থবক লৌবদা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংগী সিট খাক্তুনা থমবা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরনা মরী লৈনবশিংদা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোইয়িজ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা হায় কোর্টতা থাংগৎলকখিবা ৱাকৎ অমগী মতুং ইন্না কোর্টনা খন্নরবা মতুং চয়োল অহুমগী মনুংদা রাজ্য সরকারনা পাউখুম পীরকবা খঙহনখি। ৱাকৎ অসি জ্লাই ২৭ তা মখা তানা খন্ননবা মতম লেপখ্রে।

**ডে(এল)ঃ** ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডেগা মরী লৈননা ককচিং খুনৌ কলেজতা ঙসি, কলেজ থাক্কী সিম্পোজিয়ম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটকী মখাদা কলেজ অসিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

**ট্রেন্নিং(এল)ঃ** ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মীখল নিয়ম চুমা পাঙথোক বগীদমক চহি অসিদা পাঙথোক্কদবা স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) গী মতাংদা ব্লোক লেবেল এজেন্ট (বি.এল.এ) শিংগী ওইবা ট্রেন্নিংে প্রাগ্রাম অমা ঙসি থৌবাল অথোকফমদা লৈবা কংগ্রেস ভাবনদা পাঙথোকখ্রে।

ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা কেন্দ্র তরুক্কী ব্লোক কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্টশিংদা বি.এল.এ. আই কার্ডশিংসু য়েন্থোকখি।

**ইগজিবিসন (এল)ঃ** পি.এম. শ্রীগী মখাদা নুমিৎ নিনি চুপা লমলাই হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা চত্থরকখিবা মেথমেটিক্স এন্দ সাইন্স সার্কল ইগজিবিসন ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ইগজিবিসন অদুগা মরী লৈননা এম.এল.এ. খোঙবান্তবম ইবোমচানা হায়-মহৈরোইশিংনা তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা মীওই অমমম ওইবদা থকশি খাশি খঙবা তঙ্গাইফদে। অফবা খুন্নাই অমা শেম্বদা মহৈরোইশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ।

**ফয়ার (এল)ঃ** ময়াং ইম্ফালগী ফৌবাকচাউ হায়স্কুলদা ঙসি মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা কমদৌনা থেংনগনি হায়বগী মতাংদা মোক ড্রিল অমসুং মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু ময়াং ইম্ফাল ফয়ার সার্ভিসনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

**মঙ্গোলোইদ(এল)ঃ** য়ুনাইটেদ মঙ্গোলোইদ ইম্ফালগী ২২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি খোঙনাংথাবা য়ুনিভরসিতিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা য়ুনিভরসিতি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার-এন. জয়কুমার অমসুং মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী াহ্নগী মেম্বর-ঙাংবম নোংয়াইনচিংবা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**রেড (এল)ঃ** ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোইসাইতি-ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্স হৌদোকখিবা চহি মরি মপুং ফারকপগা মরী লৈননা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ২৩ না ঈ দান তৌখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-সরকারগী থবকশিংনা লৈবাক অসিগী নাগরিকশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ঙসি পাঙথোকখিবা ১৯ শুবা রোজগার মেলাগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিনা কর্মা

যোগীশিংগী মফমদা অচেৎপা থাজবা থল্লি। মখোয়না কৎথোকপগা লোয়ননা পাঙথোকপা থবক থৌরমশিংনা লৈবাক অসিবু চাউখৎপগী লম্বীদা লমজিংগদৌরিবনি। মহাকা হায়-ভারতকী নহারোলশিংদা থবক পীবা হেনগৎনবা অমসুং মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা কয়া মালেমগী মীয়ামদা উৎপা ঙমবা সরকারনা অখন্নবা মীৎয়েং চংলি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম ৪৭ তা পাঙথোকখিবা ১৯ শুবা রোজগার মেলা অসিদা নৌনা থবক খল্লবা নহারোল লিশিং ৫১ হেনবদা মখোয়গী এপোইন্টমেন্ট লেট্টরশিং য়েন্থোকখি।

**ইন্দো-যুএসঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং আমেরিকাগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট-মারকো রুবিওগী অনিনা ঙসি ন্যু দিল্লগী সেবা ত্রিথদা উন্নদুনা ইন্দিয়া-য়ু.এস. কমপ্রিহেন্সিব গ্লোবেল ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপকী মতাং অমসুং মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা খন্নখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি ওফিসনা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-শ্রী রুবিওনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিদা, লৈবাক অনিগী মরক্তা ঙাকশেল, টেকোলোজি, লল্লোন ইতিক, শেল থাদবা, ইনর্জি সেক্যুরিতি, কন্নেক্তিভিতি, শিক্ষা অমসুং লৈবাক অনিগী মীয়াম মরক্তা লৈনবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা লৈরিবা ফিভমশিং পাউদমখি। শ্রী মোদিগী মায়কৈদগী, মালেমগী ওইবা ৱাথোক কয়া শান্তি ওইনা ৱারী শান্নদুনা ৱারোইশিন পুরকবা তকশিনখি।

শ্রী রুবিও নুমিৎ মরিনিগী ভারত খোঙচৎতা ঙসি অয়ুক আমেরিকাদগী কোলকাতাদা থুংলখিবনি। থা অসিগী ২৬ তা পাঙথোক্কদবা ক্বাদ ফোরেন মিনিস্তরশিংগী মীফমদসু শ্রী রুবিও শরুক য়াগনি।

**কেরলমঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা থা অসিগী ২৭ ফাওবা কেরলমগী মফম খরদা নোং কন্না চুগনি হায়না য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে।

ঙসিগী ওইনা রাজ্য অদুগী জিলা তরুক অমসুং হয়েংগী ওইনা জিলা ৯ দা য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখিবনি। খা নোংচুপ্পুগী হৌরকপা কুমগী নোং, খা নোংচুপ অমসুং খা নোংপোক থংবা অরাব সাগরগী মফম খরা, কোমোরি এরিয়া, খা নোংচুপ, খা নোংপোক অমদি ময়াই থংবা বঙ্গোব সাগর অমসুং অন্দমানগী সমুদ্রগী লমদা ঙসি য়ৌরকখ্রে।

**দেদঃ** থবক্তগী পোত্থরবা ইন্দিয়ান ইনর্ফোমেসন সার্ভিস (আই.আই.এস) ওফিসার-ত্রিলোকি নাথ, ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৭৯ শুখ্রে।

মহাক মতম খরা নাদুনা লৈরম্মী। মহাক মতম শাংনা ওল ইন্দিয়া রেদিওগী ন্যুজ এদিটর ওইরম্মী। কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মেদিয়া য়ুনিটশিংদসু মহাকা থবক তৌরমখি।

**ফুটবোলঃ** ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই.সি.বি.ই. মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইর্ষ্টন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা-য়ুনাইটেদ য়ুথ থমাপোকপী অমদি সোসিএল ৱেলফিয়ার ক্লব পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

**ফুটবোলঃ** অনিশুবা মাইচৌ শামুরৌ চিগোং ত্রোফি ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেলদা এস.ৱাই.দি.এ. পুংদোংবমনা মীলঞ্জয় এফ.এবু পাঞ্জ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোলঃ** অহানবা কে.আর.সি. ত্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা এস.আই.সি. সিংগানা রিয়েল এফ.এ. তোপ সিফাইবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখ্রে।

**ফুটবোলঃ** এন.সি.সি. একতা কপ ফোর অন্দর সভেন্টিন বোইজ ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে.আই.ৱাই.সিনা জি.এফ.এবু পাঞ্জল ৭-১, আই.এফ.এনা কে.এ.এফ.এবু পাঞ্জল ২-০ অমদি কে.এফ.এনা পান্দম এফ.এফপু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

**হেন্দবোল ঃ** মনিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা চংখরিবা ৪৮ শুবা ষ্টেট লেবেল জ্নিয়ার বোইজ এন্দ গালর্স হেন্দবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ক্বাটর ফাইনেলদা এস.এস.সি. খুরাইনা এন.এস.য়ু. খ্ম্মন লম্পাকপু পাঞ্জল ১৫- ১২ দা থোইখ্রে।

নুপীগী ক্বাটর ফাইনেল মেটচতনা-কে.ভি.ডব্লিয়ু.এ. ময়াং ইম্ফালনা এস.এস.সি. খুরাইবু পাঞ্জল ২৩-১২ দা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** ৫ শুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স সেনিয়ার ৱান দে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা সেদো থাংমৈবন্দনা পি.টি.আর.সি. পাৎশোইবু রন-২১৭ তা থোইখ্রে।

অমরোমদা, মরিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি খুদৈবন্দ লম্পাক-তাউথোংদা শান্নখিবা মেটচতা পি.সি.সি. ময়াই কোইবীনা ব্লু হোগ খুরাই লমলোংবু ৱিকেট অমদা থোইখি।

মোর্দেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-আর.সি.এ. লিলোংনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু রন-১২৮ অমদি খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুর পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা এ.কে.এস.দি.ও. খাঙবোকনা পি.টি.সি. পাৎশোই পার্ট থ্রিবু ৱিকেট মঙাদা থোইখি।

**কাংঃ** ২৬ শুবা অরাম্বম সোমোরেন্দ্র নীংশিং কুমওন লিগ কম নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-এল.এস.কে.বি-ৱাঙ্গোই কাংখুৎনা এস.এস.য়ু.শিংজমৈ কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৫-১১ দা থোইখ্রে।